কোসেম অমদি সি বি এস ইদা এফিলিয়েট তৌদবা স্কুল কয়া য়াওরেঃ *এইমস*

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা ক্লাস এলেভেনগী মিং চন্নবগী এদমিসন ফোর্ম চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা থানরিবা স্কুলশিং অসিগী মনুংদা কোসেম অমদি সি বি এস ইদা এফিলিয়েট তৌদবা স্কুল কয়া অমা য়াওরম্বা থেংনরে হায়না এইমসকী চেরোল অমনা হায়রি।

অপুনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোই শিনপাংলুপ (এইমস) কী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হায়রিবা স্কুলশিং অসিদা মহৈরোই অমদি গার্জিয়ানশিংনা মহৈরোইশিংবু মিং চনবীগনু। লোয়ননা এফিলিয়েট তৌদনা স্কুল চলাইরিবা ওথোরিটিশিং অসিগী মথক্তা লৈঙাক অসিনসু মীৎয়েং চঙবগী থবকশিং লৌখৎপীয়ু। লোয়ননা মহৈরোইশিংবু করবার ওইনা চত্থরক্লিবা থৌওং অসিদগী লৈঙাক্না থিংঙু হায়না মরী লৈনবা খুদিংমক্তা অপিল তৌরক্লি।

চহী অসিগী ওইনা সি বি এস ইগী ক্লাস টেন পরিক্ষাগী ফল লাওথোকখ্রবা মতুং বোসেমগী ক্লাস টেনগী পরিক্ষা অসি হায়দোক্লবগী থৌদাং লৌরকপগী তঞ্জা অসিদা এফিলিয়েট তৌদ্রিবা, রিকগনাইজ তৌদবা স্কুল কয়ামরুমনা স্কুলশিং অসিবু এফিলিয়েট, রিকগনেসন তৌবা স্কুলনি হায়জিন্দুনা মীয়ামদা অমদি মেদিয়াশিংদা, লৈকাই-লৈকাইশিংদা থেৎলিবা বেনর, ফেষ্টুলশিংদা এফিলিয়েট তৌবা স্কুলনি, মহৈরোইশিং মিং চনবীয়ু হায়দুনা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনহল্লি। লোয়ননা লমজিংবগী থৌদাং কয়া চত্থরক্লি। হিরম অসিগী মতাংদা লুপ অসিনা থিজিল্লবদা ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা কম্পিটিটিভ সক্সেস একাদমি হায়না মিংথোনবা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমনা মণিপুরগী কোসেমদা এফিলিয়েট তৌবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলনি হায়না লান্না হায়জিন্দুনা পাউ-চেশিংগী খুখাংদা এদভর্টাইজমেন্টনচিংবশিংদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল, লেকচররশিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফ অতে ফেকলটি ষ্টাফশিং এপোইন্টমেন্টগী এদভর্টাইজমেন্টশিং কৌরকখি। হায়রিবা স্কুল অসি কোসেমনা এফিলিয়েট তৌবা স্কুলশিংগী লিষ্টতা মমিং য়াওরমদে। অদুগা কোসেমগী ওথোরিটিদা হংলুবদসু স্কুল অসি মশক খঙবা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি।

এইমসনা লমদম অসিগী মীয়াম অমদি মহৈরোইশিংদা থল্লক্লিবা ৱাফমদি, হৌজিক এদমিসনগী মতম অসিদা এফিলিয়েট তৌদবা স্কুল কয়ামরুমনা মহৈরোইশিংবু তুমিন্না খোমদুনা মহৈরোইশিং মিং চলহন্দুনা লনাইগী ওইবা মওংদা করবারগী থৌওং কয়া চত্থরক্লিবা অসি পুন্নমক্কী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থিবনি। মসিনা অমরোমদা হেন্না মাঙগদৌরিবা অসিদি স্কুল অসিদা তল্লিবা মহৈরোইশিং অসিগী তুংগী একাদমিক কেরিয়ার অদুনি। স্কুলশিং অসিনা মহৈরোইশিং অসিগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর পীবা অমদি একজাম থাহনবগী শক্তি মখোয়দা লৈতে। মহৈরোইশিং অসিগী তুংগী কেরিয়ার মাঙলগা অদুমক তোক্লগনি।

লমদম অসিদা নিয়ম লান্না স্কুল চলাইরিবশিং অসি খুদক্তগী লেপ্পীয়ু। লোয়ননা ট্যুসন সেন্টর নত্রগা কোচিং সেন্টর অমনা হেক্তা স্কুল ওহোকপগী থৌওং অসি চত্থবীগনু। হিরম অসিদা এইমসনা মরী লৈনবা স্কুলশিংদা মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি ইকুয্পমেন্টশিং ফংহনগদবনি হায়রি। লোয়ননা মতিক চাবা ওঝাশিং অমদি ক্লাস রুম অমদা লৈফম থোকপা মহৈরোইশিংগী মশিংতমক মিং চনবীয়ু। স্কুলশিং অসিগী মশাগী ওইবা পাট্টা লেন্দদা স্কুল চলাইবীয়ু। স্কুল অমা ওইবগী লৈফম থোকপা প্লে গ্রাউন্দনচিংবা অদুসু লৈহনবীয়ু। স্কুল চলাইরিবা কোসেম অসি সি বি এস ইনা পীবা গাইদলাইন অদুগী মখাদা চপ চানা স্কুল চলাইবীয়ু। হৌজিক স্কুলশিংদা ক্লাস এলেভেনগী মিং চল্লিবা থৌওংশিং অসিদা প্রাইভেট স্কুলশিংনা তোপ্পর মহৈরোইশিং শেল পীদুনা লৈবা অমদি মহৈরোই খোম্বগী থৌওংশিং অসি চত্থবীগনু। স্কুল খরগী ওইনা পোপুলরিটি শাগৎলগা এদমিসনগী কারবার তৌবীগনু। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিদা মমা-মপা ওইবশিংনসু য়াওশিনবীদনবা এইমসনা অপিল তৌরক্লি।

লাইরিক লাইশু অসি মীওইবদা চঙদবা য়াদ্রবনি : *কিরনকুমার*

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ লাইরিক লাইশু হায়বা অসি খুন্নাই অদুগী খুন্নাইচাশিংদা তঙাই ফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎশক অমনি। মহৈমশিং হৈবা হায়বা অসিনা খুন্নাইচাশিংগী মরক্তা নুংশি চান্ননা হিংমীন্নবা ঙমহল্লি। লোয়ননা লাইরিক লাইশু হৈবা হায়বা অসি মীওইবগী পুন্সিদা চঙদবা য়াদ্রবা অমনি হায়না চিফ গেষ্ট ওইখিবা টি ঐচ কিরনকুমার (আই এ এস) দাইরেক্টর এদুকেসন (এস) গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা সি বি এস ই এফিলিয়েট স্কুল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা এ আই এস এস সি একজামিনেসন ২০১৯ গী তোপ্পর ওফ মণিপুরগী ফেলিসিটেসন সেরিমোনিদা ফোঙদোকখ্রে।

চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা কিরনকুমারনা মখা তানা হায়, মহৈরোইনা পরিক্ষাদা তোপ্পর ওইরে হায়দুনা নাপল তৌবা অমদি ঐমঙাইরে হায়দুনা পোংবা হায়বা অসি কৈদৌঙৈদা তৌরোইদবনি।

তোপ্পর হায়বা অসিদি মথং-মথং অদুমক থোরক্কনি। পুন্সিদা অফবা মায় পাকপা মী অমা ওইগে হায়বা তারবদি নোল্লুকপা, অতোপ্পা মীওইবা অমবু ইকাই খুম্নবগী হৈনবী অসি লৈগদবনি হায়খি।

মহৈরোইশিংনা পুন্সিদা মায় পাকপা মী অমমম ওইগে হায়রবদি মখোয়না নিংলিবা কেরিয়ার অদুদা মশাগা চান্নগদবা, তৌগে হায়না খল্লিবা থবক অদু মশা-মশানা থৱাই হকচাং য়াওনা হোৎননিংবগী ৱাখল্লোন অদু লৈগদবনি। মী অতোপ্পনা হায়রে হায়দুনা তৌবা অদু কৈদৌঙৈদা তৌরোইদবনি।

হন্দক পাউ-চেশিংগী খুখাংদা গভর্নমেন্ট স্কুল অমদা ইঙ্খোল কোইশিল্লগ্লে হায়না ফোঙদোকখিবা অদু মী অতোপ্পনা লাক্লগা তৌরম্বা থবক নত্তে। স্কুল অদুগী ওঝাশিংগা খুৎশম্নরগা মহৈরোইশিংগা লোয়ননা স্কুল এক্টিভিটি অমা ওইনা পাঙথোকখিবা থবকনি। লোয়ননা মহৈরোইশিংদা মখল-মখা কয়াগী পোৎ-চৈশিং থাবগী তাকপী-তম্বীবনি। মদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংনা এক্টিভিটি অদু পাঙথোকপদা নুংঙাইবা অমদি কান্নবা ফংই হায়খি।

IN THE COURT OF CIVIL JUDGE SENIOR DIVISION, IMPHAL EAST, AT LAMPHELPAT.

O.S. No. 46(A) of 2013/23 of 2019

R.K. Muktasana Singh represented by his L.Rs.
. . .Plaintiffs.

-Versus-

R.K. Ruhinikumar Singh represented by his L.Rs and others.
. . . Defendants

SUBSTITUTED SERVICE OF SUMMONS UNDER ORDER V, RULE 20 OF C.P.C. 1908

To,

1. Smt. R.K. (O) Chaoba Devi, aged about 30 years, W/o. (Late) R.K. Ruhinikumar Singh of Uripok Yambem Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District-Imphal West, Manipur.
2. Miss R.K. Khusmita Devi, aged about 13 years, D/o. (Late) R.K. Ruhinikumar Singh of Uripok Yambem Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District-Imphal West, Manipur (Represented by her natural mother).

Whereas, the above-named plaintiff has instituted a suit for declaration suit with consequential reliefs as well as temporary injunction against you in respect of suit land and whereas his court has reason to believe that you are keeping out of the way for the purpose of avoiding service of summons and the same cannot be served in the ordinary way, and hence his summons is issued to you by substituted service directing you to appear in this Court either in person or by a pleader duly instructed to answer the claim on 06-06-2019 at 10:30 a.m. and further directed to file written statement, if any without fail.

Take notice that in default of your appearance the case will be heard and determine in your absence.

Given under my hand and seal of the court the 9th day of May, 2019 at Imphal.

Sd/- **Y. Somorjit Singh**
Civil Judge (Sr. Division)
Imphal East at Lamphelpat

By Advocate:-

NT/76997/15,16(May)

IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER -IX, LAMPHELPAT.

Ref:- Case No. 98/AS&SO-IX, of 2019

1) Jagat Bahadur Thapa, 2) Nichal Gurung, 3) Herina Thapa (All are Mantripukhri).
. . . Petitioners

-Vrs-

Smt. Tulsi Maya Devi, W/o. Ratan Singh Thapa of Mantripukhri.
. . . O.P.Party

NOTICE

Dt. 14/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নংঃ ৮-মন্ত্রিপুখ্রি গী পাট্টা অরিবা নংঃ ৩২ অনৌবা পাট্টা নংঃ ৫৩ / ১০৮৭ দাগ নংঃ ৯০ / ৪৬৪ এরিয়া .০৬৫ একর চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি পেটিস্নরনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মখোয় অহুমগী মমিংদা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিদা ফোংবা নুমিৎতী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

Sd/- Asstt. Survey & Settlement
Officer - IX, Lamphelpat

NT/77000/15(May)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

Mutation Case No. 233/SDC/IW/(H)2019

Shri Shri Radha Krishnachandra S/o H.H. Bhaktivyasatirtha Swami of Iskcon Sangaiprou.
. . .O.P

-Vrs-

GBC Shri Bhaktisvarupa Damodara Swami Srila Sripada S/o AC Bhakti Vedanta Swami of Iskcon Airport Road.
. . .O.P. Pattadar.

NOTICE

Hiyangthang, the 14/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং 45-Sangaiprou পাট্টা নং 19 (অরিবা) 269 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 132 & 134 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.38 & 0.38=0.76 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামজারি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২৩-৫-২০১৯ ফাওবগী মদুংদা কোর্ট অসিদা মশামক লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা য়েৎলবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

NT/77085/15(May)

নিউ ইরা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী পোজিসন হোল্ডর য়াওনা লাইরিক ফবা মহৈরোইশিং ওকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ কউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (কোসেম) না লৌবা হন্দক ফল লাওথোকখিবা ক্লাস টুয়েল্ভ একজামিনেসন্দা সাইন্স ষ্ট্রিমদা ৪ শুবা পোজিসন তারকখ্রবা অভিনাস এলাংবম অমদি ২০ শুবা পোজিসন তারকখ্রবী লাইশ্রম রেসমি য়াওনা সবজেক্ট ৱাইজ ষ্টেট তোপ্পরশিং অমদি হেন্দোক-থোইদোক্লা মায় পাক্লকখিবা থৌবাল ওক্রমদা লৈবা নিউ ইরা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লাইরিক ফবা মহৈরোইশিং তরান্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

নিউ ইরা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মেনেজিং কম্মিটিনা শিন্দুনা স্কুল অসিগী হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা লাইরিক ফবা মহৈরোইশিং তরান্না ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্স দিপার্টমেন্টগী প্রো: এন মোহিলালনা অথোইবা মীথুংলেন, দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী এসোসিয়েট প্রো: ডা: অকোইজম ৱোজেন্না থৌরম মপু, সোসিয়েল সাইন্টিষ্ট ডা: ধনবির লাইশ্রম অমদি ইভরগ্রিন ফ্লৱার স্কুলগী প্রিন্সিপাল ডা: ওক্রম ইবোপিশক্না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা প্রো: মোহিলালনা হায়, চাওখৎপা, শান্তি লৈবা ইরমদম অমা শেন্দ্রা মালেম অসিগী তুংগী ফ্যুচরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিংবু মহৈগী লৌশিং মপুং ফানা ফংহনবা হায়বা অসি য়াম্নমক মথৌ তাই। মহৈ হৈরবসু লাইশু খঙদ্রবা মীওই অদুদি, মালেম অসিদা চন্নফম লৈত্রবা মীওইঅমগুম্বনি। মরম অদুনা লাইরিক তম্বা মতমদা লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসিগা লোয়ননা মোরেল এদুকেসন তাকপী তম্বীবা হায়বা অসি য়াম্নমক মথৌ তাই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐখোয়গী মতিক চারবা শরুক্লইরবা অমা ওইরে হায়দুনা ঐখোয়গী মপু, ইমা-বাবা অমদি ঐখোয়বু তাকপীরকপা ওঝাশিংবু খক কাওথোকফম থোক্তে। ওঝাশিংনা ঐখোয়দা তাকপী-তম্বীরকপদগী ঐখোয় মী ওইগনি হায়বা অসি মীপুম খুদিংমক্না কাওথোক্লোইদবনি। লোয়ননা ওঝাশিংনসু কৎথোকপা অমগা লোয়ননা মহৈরোইশিংদা মহৈ-মশিং নিংথিনা তাকপী-তম্বীবা অসি তঙাই ফন্দবনি। লোয়ননা ভারত সরকারনা লাইরিক ফবা মহৈরোইশিংবু সাইন্টিষ্ট ওইনা শেমগৎনবগী পান্দমদা অচৌবা শেনফম কয়া থাদদুনা স্কোলরসিপ পীরিবা অসি নিয়ম চুম্না শিজিন্নসি হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

পনবা য়াবদি কোসেমনা লৌবা হন্দক ফল লাওথোকখিবা ক্লাস টুয়েল্ভকী একজামিনেসন অসিদা স্কুল অসিগী পুন্না মহৈরোই ২২২ শরুক য়াখিবদা মহৈরোই খুদিংমক পরিক্ষাদা মায় পাক্লকখি। মসিগী মনুংদা পোজিসন ২, কম্প্যুটর সাইন্সতা ষ্টেট পুম্বগী ওইনা তোপ্পর স্কুল অসিগী মহৈরোই ৩ না ওইখি। অদুগা ফার্ষ্ট দিভিজন্দা মহৈরোই ২০৮ অমদি সেকেন্দ দিভিজন্দনা মহৈরোই ১৪ পাস তৌখি। মসিগী মনুংদা ভারত সরকারনা পীবা ইন্সপয়ার স্কোলরসিপতা স্কুল অসিগী পুন্না মহৈরোই ৩১ য়াওরকপা ঙম্লে হায়রি।

ꯃꯥꯡꯈꯤ/Registration Certificate Lost

I have lost my Registration Certificate of Class XI bearing Regd. No. 17418 of 2019 issued by the Council of Higher Secondary Education, Manipur on the way in between my residence and Millennium Institute of Sciences, Sagolband, Kwakeithel Mayaikoibi.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Arick Yumnam**
Khagempalli Panthak
9862821797

NT/76993/15(May)

IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER -IX, LAMPHELPAT.

Ref:- Case No. 105/AS&SO-IX, of 2019

1) Mangshatabam Hittary Chanu, D/o. Tajmani Meitei of Luwangsangbam, 2. -do- Hitler Meitei, S/o. -do- of -do-, 3. -do- Hitson Meitei, S/o. -do- of -do-.
. . . Petitioners

-Vrs-

(L) Mangshatabam (O) Ibeton Devi, W/o. (L) Ibomcha Singh of Luwangsangbam.
. . . O.P.Party

NOTICE

Dt. 14/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নংঃ ১-লুৱাংশংবম গী পাট্টা অরিবা নংঃ ১৩৯ অনৌবা পাট্টা নংঃ ৬৩৯ / ৭৭৩ দাগ নংঃ ১২২৭ / ১৯১৯ অমসুং ১২২৬ / ১৭৭৫ এরিয়া ০.০১২০০, ০.২২২৭০ একর চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি পেটিস্নরনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিদা ফোংবা নুমিৎতী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

Sd/- Asstt. Survey & Settlement
Officer - IX, Lamphelpat

NT/77002/15(May)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

Mutation Case No. 232/SDC/IW/(H)2019

1) Mayengbam Mohindro Meitei S/o (L) Kerani Singh of Ningombam Mayai Leikai Dagki Manungdagi 0.07 acre 2) Mayengbam Joykumar S/o (L) Kerani Singh of -do- Dagki manungdagi 0.09 acre 3) Mayengbam Ramananda Meitei S/o (L) Kerani Singh of -do- Dagki manungdagi 0.05 acre 4) Mayengbam Ojit S/o (L) Kerani Singh of -do- Dagki manungdagi 0.07 acres
. . .O.P

-Vrs-

(L) Mayengbam Kerani S/o (L) Chaoba Singh of Ningombam.
. . .O.P. Pattadar.

NOTICE

Hiyangthang, the 10/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং 4-Ningombam পাট্টা নং 193 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 1320 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.28একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামজারি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২২-৫-২০১৯ ফাওবগী মদুংদা কোর্ট অসিদা মশামক লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা য়েৎলবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

NT/76995/15(May)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

Mutation Case No. 234/SDC/IW/(H)2019

Konjengbam Binodkumar Singh S/o (L) Ibomcha Singh
. . .O.P

-Vrs-

Konjengbam (O) Ibeton Devi W/o K. (L) Ibomcha Singh.
. . .O.P. Pattadar.

NOTICE

Hiyangthang, the 14/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং 6-Lairenjam পাট্টা নং 19 (অরিবা) 81 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 1065 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.65012 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামজারি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২১-৫-২০১৯ ফাওবগী মদুংদা কোর্ট অসিদা মশামক লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা য়েৎলবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

NT/76998/15(May)

---

৬১ শুবা কুমওন

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ দি কলচরেল ফোরম মণিপুর রুপমহল টেঙ্ক কমপ্লেক্স বি টি রোদ ইম্ফালনা শিন্দুনা ফোরম অসিগী ৬১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা লোয়ননা দাইমন জুবিলি সেলেব্রেসনগী থৌরম লাক্লিবা মে ১৭ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা জে এন মণিপুর দান্স একাদমিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইঙাগী পুর্ণিমাদা কৈশাম পোকলেন পোক খুরুমজগনি

কৈশাম সাগৈগী সলাই মপোক-থবান ওইরিবা ইঙা থানিল নুমিৎ অসি কায়দনা লাক্লিবা তাং ১৭-৬-২০১৯ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎ, সাগৈ হুপনা তিন্দুনা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা কৈশাম পোক্লেন পোকপগী খুভমদা চাকলেন কত্তুনা খুরুমজগনি। য়োইবু য়োইহেন তাল্লিবা সাগৈ মীপুম খুদিংনা নুংঙাইবা য়াইফবা, চাদা নাউদাবা, পুন্সি নুংশাংবা থৌনিজবা অসিবু য়াওবিয়ু। ইমুং অমগী শেনখায় লুঃ ২০০ নি। শেনখায়শিং অদু মাইকৈ-মাইকৈগী মীহুৎশিংনা পুবিরত্তুনা তাং ১০-৬-২০১৯ ফাওবগী মনুংদা লাই কমিতিদা শিন্নবিয়ু অমসুং রিসিপ্ট ককপীয়ু।

কৈশাম সাগৈ পোক্লেন পোকপা
লাই কমিতি।
য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা
প্রসিদেন্ট - ৮১১৯৮৭০৭৭০
সেক্রেটরি-৯৮৫৬৩৭৯৫২০
কেসিয়ার-৯৮৫৬৮৫১৬০১

NT/76988/14,15(May)

ময়েক শেংনা খঙহল্লক্লবনিনা য়েৎননিংঙাই ওইদ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ হৌখিবা চহী ২০১৮ গী জুন ৫ দা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরদা মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ি ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না হৌখিবা চহী ২০১৫ গী মার্চ ১১ দা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্টঅমগী মতুং ইন্না য়েৎনদুনা লৈরিবা ‘মিনিমম ওফ পে’ অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারস গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী চেরোল অমদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরদা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা ফংগদবা শেনফম হায়বদি পে, গ্রেদ পে, দি এ অমদি ৱাসিং এলাৱেন্সকী অপুনবা শেনফম অদু ওইগদবনি হায়না ময়েক শেংনা খঙহল্লক্লবনিনা করিমতা য়েৎননিংঙাই ওইদ্রে হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ি ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী পীফম থোকপা শেনফমশিং অদু অথুবদা পীথোকপীরো। অদুবু ঙসি থা ১১ রোম হেল্লবা ফাওবা অসিদা হোম দিপার্টমেন্টনা করি করম্না চত্থরিবগে হায়বগী লংলা-লংজিল অমত্তা খঙহল্লকপসু লৈত্রি। লাংতক্লরবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী খোইরাং খোইশাওনবা অসি কোকহনবীনবা থা ১১ গী মতুংদা ঙরাং মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরগী মফমদা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী অৱাবা অসি য়েংবীরগা অথুবা মতমদা অচুম্বা ওর্দর অদু থোকহনবীদুনা ফংফম থোকপশিং অদু ফংহনবীরো হায়না অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। তশেংবসু হৌখিবা চহী ২০১৫ দগী চহী ৫ ফারক্লবা মতম অসি ফাওবদা হোম দিপার্টমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্ট অসিবু ঙসি ফাওবদা অচুম্বা মওংদা থবক ওইনা পায়খৎপীদবা অসিদা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা হায়ফম তৌফম খঙদনা ৱানা খাংলিবা অসি অনৌবা নৎত্রে। মরম অদুনা হোম গার্দ পার্সোনেলশিং অসিবু নুংশিবীদুনা চিফ মিনিষ্টরনা অমুক্তং পুক্নিং চিংশিনবীদুনা অমদি ৱাফম অসিবু লুম্না লৌবীদুনা অচুম্বা ওর্দর অদু অথুবদা থোকহনবীনবা মরী লৈনবশিংদা অরোইবা ওইনা পাউতাক অমুক্তং পীবিয়ু হায়রি।

এমসু বিষ্ণুপুরনা মোবিলাইজেসন ক্লাস হৌদোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৪ঃ এমসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শিন্দুনা চহী খুদিংগী ওইনা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা মে ২৮ দা পাঙথোকপা মহৈরোইশিংগী হক কনবা নুমিৎ ‘ষ্টুদেন্ট ইমান্সিপেসন দে’ পালন থৌরম অসিগী মতাংদা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মহৈরোইশিংদা হেন্না ৱাখল লৌশিং তামীন্নবগী পান্দমদা মোবিলাইজেসন ক্লাস অমা ঙরাংদগী হৌনা মোইরাং মল্টিপরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোইশিংগী ওইনা হৌদোকখ্রে।

হায়রিবা মোবিলাইজেসন ক্লাস অসি ঙরাং অহানবা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা মহৈলোইশঙ ৫ দা চৎলবা মতুংদা পালন থৌরম য়ৌদ্রিবা ফাওবা ক্লাস চত্থখিগনি হায়রি। লোয়ননা ষ্টুদেন্ট ইমান্সিপেসন দেগা মরী লৈননা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা ষ্টুদেন্ট লিদরসিপ কেম্প অসি চহী অসিগী ওইনা লাক্লিবা মে ২৪ দগী ২৮ ফাওবা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা নিংথৌখোং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্লবা শেম-শারে হায়রি।

মোবিলাইজেসন ক্লাস অসিগা মরী লৈননা ৩০ রক শুবা ষ্টুদেন্ট ইমান্সিপেসন দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভেনর সাইনিং খাঙেম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, এমসুনা ইং ১৯৬৫ তগী হৌরগা লমদম অসিগী মহৈরোইশিংগীদমক মতম-মতমগী ওইনা হক কয়া তান্দুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ইং ১৯৭৩ দগী ইং ১৯৭৯ ফাওবদা মোইরাং মল্টিপরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিগী অৱাৎ-অপা কয়া অমা মতম অদুগী লৈঙাক্তা তানবদা স্কুল অসিগী মহৈরোই য়াওনা পুন্না মহৈরোই ৩ পুলিসকী নোংমৈ গুলিদা থৱাই থাখি। মহৈরোইশিং অদুবু নিংশিংবা ওইনা চহী খুদিংগী মে ২৮ অসি মহৈরোইশিংগী হক কনবা নুমিৎ হায়না ইং ১৯৯০ দগী হৌনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

অসুম্না মহৈরোই খুন্নাইদা শিংনবা অমদি মীওৎ-মীনৈ তৌরিবা ময়াম অসিবু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা অসিগুম্বা পালন থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। হায়রিবা মহৈরোইশিংগী হক কনবা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা করিগীদমক্তা অসিগুম্বা পালন থৌরম অসি পাঙথোক্লিবনো হায়বা অদু ইনখৎলক্লিবা মহৈরোইশিংদা হেন্না ৱাখল লৌশিং তাহন্নবা পাঙথোকপা থৌরম অমনি। লোয়ননা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা মে ২৪ দগী ২৮ ফাওবা ষ্টুদেন্ট লিদরসিপ কেম্প অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা লমদম অশোমদা লৈরিবা অমদি মণিপুরগী মফম কয়াদা লৈরিবা মহৈরোই খুন্নাইনা শরুক য়াবীদুনা থৌরম অসিবু মপুং ফাহনমীন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

RUDA ACADEMY, THOUBAL

Affiliated to CBSE-Delhi, No. 1230036

100% Pass in both
AISSE, & AISSCE, 2019

AISSE, 2019

Koljam Pushparani Devi 92.4%
L. Kiranjit Singh 89.4%
Sanasam Piba Meitei 84%
Valenta Waikhom 80.8%
Ajit Leishangthem 80.8%
Leishangthem Kalpana 80.6%

Result Statistics

AISSE, 2019	AISSCE, 2019
1st Divisioners : 110	1st Divisioners : 22
2nd Divisioners : 24	2nd Divisioners : 2
3rd Divisioner : Nill	3rd Divisioner : Nill

AISSCE, 2019

W. Archana Devi 80.6%
L. Prembala Devi 73.6%
Sheikh Shifa Shihab 73%
Th. Leishemba Singh 72.2%
Nandita Hijam 71.2%
Sweeta Lishram 71.2%
Bemoli Lisham 70.6%
B. Rahul Sharma 70.6%

OFFER FOR STUDENTS

Free : Admission, Tuition fees, Hostel Admission, Transportation . who secure AISSE-2019 - 80% and H.S.L.C - 2019 under BOSEM - 80%

Free : Admission Fee who secure 75% in the AISSE, 2019 or HSLC Exam 2019 under BOSEM or any other similar Exam Board.

Last Date of Admission for Class - XI Science & Arts : 20th May, 2019

Session starts on Thursday, 16th May, 2019

Sd/-
Principal
Ruda Academy, Thoubal

ꯃꯥꯡꯈꯤ/AYY Card Lost

I have lost my AAY Card bearing Card No. 141000429704, F.P.S. No. 20 Sawombung Imphal East, issued by DSO Officer Imphal East on the way in between Chingkhu and D.C. Office Porompat on 10/5/2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Kshetrimayum Subhasini Devi**
D/o. Ksh. Manihar Singh
Chingkhu Mayai Leikai
7005213983

NT/76994/15(May)



PERMANENT CURE

(দাইবেটিসগী প্রোব্লেম)

(নুপাগী প্রোব্লেম)

(নুপীগী প্রোব্লেম)

Dr. (VAID) R N GUPTA (396)
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice-Cream
Buiding 1st Floor, Opp. Senapati Bus Parking

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওঝা কয়ামুদ্দিনবু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা দাইবেটিসনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ খুৎ পোমখৎলগা চৎপা ঙমদবা, ঈশিং চৎপদা মচু নাইবা, অহিংদা ঈশিং তোয়না চৎপনা হকচাং য়াম্না চোকথবা, তাং তাং চাওথোকপা, খুৎনা পোৎ পায়শিনবা ঙমদবা, খোঙনা শাংনা চৎপা ঙমদবা, শদৌ থোংবা অমদি য়াম্না চোকথবা, হকচাং পুম্নমক লুম লুম লাওবা, হকচাং পাঙ্গল শোল্হরকপা, খোঙ হাম্বা য়াম্না নুংঙাইতবা, ঈশিং চৎপদা য়াম্না শাবা তৌরম্বা অদু Mv. Kayamuddin Phudreimayum (# 8575814720, 8413870027), দা মতম খরা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওঝা কয়ামুদ্দিনবু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউ চেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar 7:00 am to 11:00 am Hatta Minuthong near traffic Signal Bazar, 12:00 p.m. to 5:00 p.m. Tiddim Road Olkd Bazar CCpur Police Station Opp. 7:00 to 4:00 p.m.

থাগৎচরিবাঃ **Oinam Ratan Singh**
Bishnupur

NT/76898/15(May)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST NORTH SEKMAI

Mutation Case No. 411/SDC/IW(N)Sekmai of 2018

Keisam Brojen Singh S/o (L) K. Manichandra Singh of Thangmeiband Yumnam Leikai.. . . .Petitioner

-Vrs-

(L) Keisam Manichandra Singh S/o (L) Gulap Singh of Thangmeiband Yumnam Leikai. . . .Pattadar

NOTICE

Sekmai the 13/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, Imphal West Sekmai Tashil Village No. 42-Loitang Leikinthabi Under Patta No. 11 (Old) 11/149 (New) Covered by C.S. Dag No. 68/223 গী area .42 acres চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী কোর্টতা application থারক্লে। অমদি ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চত্থজখ্রনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (N) Sekmai

NT/76996/15(May)